## আই এন এস অরিহন্ট অথুবা মতমদা ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ঃ** ইন্দিয়ানা মশাগী ওইনা শাজবা ন্যুক্লিয়র পৱার বেলিষ্টিক মিসাইল সব–মেরিন আই এন এস অরিহন্ট চয়োল খরগী মতুংদা লেপখিবা মতমগী মতুং ইন্না ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি। সবমেরিন অদু ন্যুক্লিয়ার খূৎলায় পুবা ঙম্বা চপ চাবা মতমদা থবক তৌবা ঙম্বা সবমেরিন অমা ওইরগনি। সবমেরিন অদু হৌজিক সমুদ্রদা ত্রাইয়েল চত্থরি।

বেলিষ্টিক মিসাইল কাপ্পা য়াবা সবমেরিন অদু চপ চানা অরোইবা ওইনা চাংয়েং তৌরবা মতুং ইন্দিয়ন নেভিদা শিন্নগনি হায়না এসিষ্টেন্ট চিফ নেভেল ষ্টাফকী রিয়র এদমিরেল এল ভি এস বাবুনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমা হায়রগদি আই এন এস অরিহান্ত সব–মেরিন অদু লাক্লিবা রিপব্লিক ডে নুমিৎতা মীয়ামদা সবমেরিন অদুগী অশাবা শক্তম উৎকদৌরি।

ন্যুক্লিয়র মিসাইল পুবা ঙম্বা সবমেরিন অদু লৈবাক অসিনা মশা মথন্তগী ওইবা টেক্লোলোজি শেমগৎলকখিবনি। হৌজিক সব–মেরিন চাংয়েং তৌননবা বিশ্বখাপটনমদা চাংয়েং চত্থরি হায়না রিয়েল এদমিরেল বাবুনা ফোঙদোরক্লি।

# পুলিস ওফিসিয়েল মঙা সস্পেন্দ তৌননবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী ধরনা খঙহৌদনা লোইশিনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ ঃ** মথৌ মশক খঙদবা ওফিসিয়েল মঙা সস্পেন্দ তৌননবগী দাবীদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা চঙশিল্লকখিবা লেপ্পা লৈতবা ধরনা অদু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা খঙহৌদনা লোইশিনখ্রে। মদু পুলিস ওফিসিয়েল অনী সেন্টর গভর্ণমেন্টকা য়ানবগী মতুং ইন্না ছুটিদা লৈখিহনখিবদগী খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি হায়রি।

সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৈরিবা ন্যু দিল্লিগী রাইসিনা হিল লমদমদা লৈবা রেল ভৱন্দা পূং ৩০ হেন্না চঙশিল্লকখিবা খেঙজং অদু লোইশিনখিবা লোয়ননা খোঙজং মনুংদা লাক্লিবা রিপব্লিক ডেগী থৌরমদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না কিহনখিবনি। খোঙজং অদু দিল্লিগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণর নাজিব জংনা থাজবা পীরকপদগী লোইশিনখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং সরক্তা য়ারেকখিবা কেজ্রিৱালনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী মনুংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা প্রোটেষ্ট অদু লোইশিন্নবগী ৱারেপ লৌখি।

ৱারেপ অদু মখোয়না দিল্লি মীয়ামগা লোয়ননা মায় পাক্লবা মতুং হন্দোকপনি হায়রি। ঙসিগী অঙনবা ফাওবদা য়ানবা পুরক্তুবদি রাজপাটকী লম্বীদা মীওই লাক্ষ কয়া থোমজিনবগা লোয়ননা রিপব্লিক ডে সেলেব্রেশনদসু অকায়বা পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

মলভিয়া নগরগী এস ঐচ ওনা দ্রগ অমসুং প্রোষ্টিট্যুশন রিংগী মতাংদা রেইদ চখৌ হায়না লো মিনিষ্টর সোমনাঠ ভর্টিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ঙসিদি য়াশিন্নবা পুরকখ্রে।

মমাঙ চয়োলদা দেনিস নুপী অমা ইজ্জৎ মাঙহনখি। কেস অদুগী ইন–চার্জ সেন্টর গভর্ণমেন্টকা য়ানবগী মতুং ইন্না ছুটিদা লৈহনখ্রবা মতুং খোঙজং হন্দোক্লবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

লেফ্টনেন্ট গভর্ণরনা থৌদোক অদু পুলিসশিং অদুগী মথক্তা জুদিসিয়েল ইনক্বারি চত্থরগনি। মরম অদুনা খোঙজং অদু হন্দোক্লবা কেজ্রিৱালদা আপীল তৌরকখি।

নুপীমচা অমা মহাক্কী মকুবোক্লা নিয়মগী ৱাংমদা মৈ থাখিবা অমদি অতোপ্পা গেং রেপ থৌদোক্কা মরী লৈননা কেজ্রিৱালনা দিল্লি পুলিসকী ওফিসিয়েল ৫ সস্পেন্দ তৌননবা দাবী তৌরকখিবা অদু খোঙজং অদুগী তঙ্খায় চল্লকপদা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে।

রিপব্লিক ডে থৌরম লৈবা অমসুং সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং পায়খৎকদবা লৈবনা লেফ্টনেন্ট গভর্ণর নজিব জংনা কেজ্রিৱালগী খোঙজং অদু হন্দোক্লবা অইবা চেরোল অদু পীরকখি।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা, নুপী ইজ্জৎ মাঙহনবগা মরী লৈননা পুলিসনা মরাল লৈবশিং ফাগৎখ্রে। মদু মখোয়না তানখিবা দিমান্দশিং মনুংদা অমনি হায়খি।

এ এ পিগী খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা দিল্লি মেত্রো ষ্টেশন মরি ঙসিসু থিংজিন্দুনা লৈরি। ঙসি অথেংবা ফাওবদা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না রেল মেত্রো ষ্টেশন পতেল চোক সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট উদ্যোগ ভৱন রেস কোসনচিংবা মফমশিংদা থবক অমত্তা তৌদনা লৈরি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক–খিবদা বদপুরদগী সেন্ট্রেল সেক্রেট–রিয়েটতা লাক্কদবা ট্রেন তরুক লম্বী থৈদোক্তুনা চৎহনখি হায়রি। থৈদোক্তুনা চৎহনখিবা লম্বীশিং অদু পাউ ফাওনবদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মফমশিংনি।

ট্রেনশিং অদুনা লাক্কদবা মফমদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টরনা ধরনা ফমজিন্দুনা লৈখিবদগী তঙায়ফদনা লম্বী থৈদোকখিবনি হায়রি।

দিল্লি পুলিসনা মেত্রো ষ্টেশনশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবা থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক, পতেল চোক অমসুং রেস কোর্স মেত্রো ষ্টেশন্দি তঙায়ফদনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হাংদোকখি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুগী ৱাংমদা–১

*হৌজিক্কী মতমসিদদি মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা সেটলাইট থাগৎতুনা মদুগী কান্নবা লৌবা ঙমদবা লৈবাক অসি চাওখৎপা ঙমদ্রিবা (অন্দর দিভলপ) লৈবাক্লা অনম্বা ওইনা তৌরি। অদুমকপু সেটলাইট অমদি স্পেসক্রাফ্ট হায়বা ৱাহৈসি তাদবা মীওই মালেমদা ইরৈ লৈরম্মরোই। ইং ১৯৫০ দগী ১৯৬০ ফাওবগী মনুংদা সেটলাইট পুথোরক্তুনা অহাংবা মালংদা থাগৎত্রিঙৈ মমাং নাইন্টিন্ট সেঞ্চুরি মতমদগী এষ্ট্রোনোটস হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নদুনা লাকখ্রে। ইং ১৮৮০ দা Percy Greg কৌবা বৃটিশ রাইটর অমনা মানা ইখিবা নোভেল Across the Zodiac তা য়াওখিবা স্পেস শিপ অমদা থোনবা মমিংনি Astronauts হায়রিবসি। ইং ১৯৫০ দগী ১৯৫৯ ফাওবগী মনুংদা ইহান হান্না এষ্ট্রোনোটস হায়বা ৱাহৈসি নোভেলদুদগী লৌথোক্লগা য়াম্না কমন ওইনা শীজিন্নবা হৌরকখ্রে। কোস্মোনোট হায়বা ৱাহৈসিনা রুসিয়ানা শীজিন্নবা ৱাহৈনি। ইহান হানবা সেটলাইট ঃ য়ু এস এস আরগী Sputnik 1 হায়বসিনা মালেমগী অকোইবগী লম্বীদা কোইহন্দুনা থমখিবা ইহান হানবা সেটলাইটনি। কেজি ৮৩.৬ লূম্বা সেটলাইট অসি চয়োল অহুম চুপ্পা মালেমদা মসিগী সিগনেলশিং থারক্লম্লগা বেট্টরি ফেল ওইখিবদগী শীজিন্নবা লেপখি। অদুবু ইং ১৯৫৮ দদি য়ু এস এনা মালেমগী ওর্বিৎতা সেটলাইট ৫ থাগৎখি। পনবা য়াবদি, অঙনবা মতমদগী সেটলাইট পূম্বা কায়রগা মালেমদা অমুক তারকখি। অদুবু মতমদুগী য়ু এস এনা ইং ১৯৫৮ দা থাগৎখিবা সেটলাইটশিংদুগী মনুংদা vangguard 1 হায়বা সেটলাইটশিমতংদি হৌজিক ফাওবা স্পেসতা লৈরি।*

# অব্দুল করিম টুন্দা টেরর কেস ৩৩দা চেন্নৈ হায়না দিল্লি পুলিসনা কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ ঃ** ন্যু দিল্লিদা লৈবা কোর্ট অমদা দিল্লি পুলিসনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাস্কর–ঈ–টৌইবাগী ওপরেটিভ অমসুং বোম এক্সপর্ট অব্দুল করিম টুন্দা ইং ১৯৯৪ অমসুং ইং ১৯৯৮ ফাওবদা দিল্লি অমসুং অতৈ ষ্টেটশিংদা চত্থখিবা টেরর এটেক ৩৩ দা চেন্নৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কেসশিং অদুগী মনুংদা ২২ দি লৈবাক অসিগী কোনুংদা রেজিষ্টার তৌখিবনি অদুগা ১১না পঞ্জাব হরিয়ানা উত্তর প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদা চত্থখিবা এটেকশিংদা চেন্নৈ হায়না সি বি আইনা কমান্দ তৌখ্রবনি হায়রি।

মঙোন্দা চেন্নরিবা কেস ২২দি দিল্লিখক্তদা থাঙ্গৎলকখিবনি। কেস মরিখক্তা মীওই অদু ফাগৎখিবনি হায়না স্পিসিয়েল সেল দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা কেস মরি অদুগী মনুংদা কেস অহুমদি চার্জ সিট থাঙ্গৎখ্রে হায়রি।

মুম্বাইগী ২৬/১১গী মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানদা টেরোরিষ্ট ২০গী মমিং পীদুনা শিন্নরক্লবা খঙহন–খিবশিংগী মনুংদা অব্দুল করিম টুন্দাসু য়াওরি।

টুন্দাগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস কয়াদি ঙসি ফাওবা পেন্দিং ওইনা লৈরি। অদুগা খরনা কেস চত্থদুনা লৈরিবনি হায়রি।

মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেসশিং মখা তানা চত্থদুনা মরী লৈনবা এস ঐচ ও স্পিসিয়েল সেলনা হৌনবী মতুং ইন্না ফাননবা হায়জরকপসু লৈখি।

কোর্ট অদুনা টুন্দাগী মথক্তা লৈবা অদুগা হৌজিক্কা চত্থবা ঙমদনা লৈরিবা কেসশিংগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট পীরক্লবসু খঙহনখি। চহী ৭২ শুরবা অব্দুল করিম টুন্দা দিল্লি পুলিসনা ইন্দিয়া নেপাল বোর্দরদগী মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ১৬তা ফাগৎখিবা চহী ২০গী মমাঙদা রাজস্থানদা থোকখিবা টিফিন বোক্স ব্লাষ্ট অমসুং রাজধানি এক্সপ্রেসতা থোকহনখিবা পোকখায়বগী থৌদোকশিংদসু মহাক চাউনা চেন্নখিবা মীওইনি।

বন্দি দিষ্ট্রিক্টকী লাখেরি লমদমদা চেনবা রাজধানি এক্সপ্রেস অদুদা চাউনা বোম প্লান্ট তৌদুনা পোকখায়হনখি। সেনিয়র জজ অদুনা হীয়ারিং অদু পায়খৎলদুনা ইং ১৯৯৭তা সদর বজারদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈনবা চার্জসিট অদুবুসু য়েংশিনখি।

তোঙান তোঙানবা টেরর এটেক কয়াদা চেন্নবগীমক টুন্দাগী মথক্তা কেস কয়া ফাইল তৌরক্লি। মহাক্কী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩২৪, ৩০৭ অমসুং ১২০(বি) শিং পাল্লি।

সাদর বজার অমসুং কুট্টব রোদতা ইং ১৯৯৭কী ওক্টোবর ১দা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক্তা চাউনা লৌতুনবা য়াওবা মীওই অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মমাঙদা মহম্মদ সাকিল এলাইজ হমজা অমসুং মহম্মদ আমির কেস অদুগা মরী লৈননা ফাগৎখি। অদুমওইনমক, ইং ১৯৯৯গী এপ্রিল ১৭তা সাকিলগী মথক্তা লৈবা কেস অদু কোর্ট অদুনা দিসচার্জ তৌখি। অদুগা অমিরবুনা ইং ২০০১গী এপ্রিল ২৬তা মহাক্কী কেস অদু লোইশিনখি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, সাকিল অমসুং আমিরনা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু টুন্দাগী থৌইনশিন মতুং ইন্না চত্থখিবনিহায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

ইন্দিয়াদা চত্থরকখিবা তোঙান তোঙানবা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোকশিংদা লাস্কর–ঈ–টৌইবাগী ওপরেটিভ অমসুং বোম এক্সপর্ট অব্দুল করিম টুন্দানা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসি ষ্টেট কয়াদা ইং ১৯৯৪ দগী ইং ১৯৯৮ ফাওবদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক কয়া চত্থরকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক ৩৩দা মহাক চেন্নৈ হায়না দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

# মুজাফর নগরগী রাইওৎ ভিক্টিমশিংদা গেং রেপ চত্থখি হায়বা মীওই ২২গী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট থাখ্রে



**মুজাফর নগর, জনুৱারি ২১ ঃ** লোকেল কোর্ট অমনা ঙসি লৈবাক–পোকপা নুমিৎতা মুজাফর নগরগী কাঙলুপকী ঈরাং মনুংদা গেং রেপ চত্থখি হায়বা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নখি হায়বা মীওই ২২গী মথক্তা নন–বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে।

চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট কুমারনা ঙসি ফাওবা চেন্দুনা লৈরিবা মীওই ২২গী মথক্তা ফাননবগী হুকুম অদু থোকখিবনি।

স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেশন টীম এস আই টিনা কেস অদু কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎলকখিবনি। এস আই টিনা হায়রিবা মীওই ২২ অদুগী মথক্তা গেং রেপ থৌদোক তরুক চত্থখিবা অমদি সেপ্টেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা থোকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওই ২২গী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট লাউথোক–পীরক্লবা হায়জরকপগী মতুং ইন্না খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙ–দোরকখিবদা, থিজিনবা কাঙবু অদুনা ফংলকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না গেং রেপকী থৌদোক ৬ অদুদা মীওই ৫ চেন্নৈ হায়রি।

এস আই টিনা অদুগুম্বা গেং রেপকী কেস অদুদা চেন্নবা মীওই ২৭কী মনুংদা ২২ দি মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা গেং রেপকী থৌদোক্তা ভিক্টিম ওইহৌরবী নুপীশিংনা মখোয়বু মুজাফর নগরগী কাঙলুপকী ঈরাং মনুংদা ফুগানা খুঙ্গংদা গেং রেপ চত্থখি হায়না পিটিশন অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুং পীরকখিবা দিরেক্সন অমগী মতুং ইন্না খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি হায়রি।

চৈরক অসিদা, নেশনেল মাই–নোরিটি কমিটিনা অদুগুম্বা গেং রেপকী থৌদোকশিং অদুদা চেন্নৈ হায়বা মীওইশিং ফাগৎপদা থেংথবগী মরম খঙহল্লক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা জেন কম্মুনিটিদা মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবা য়াখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ ঃ** কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা জেন কম্মুনিটিবু মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবদা য়াহন্নবা ফোঙদোরকখিবগী হেক মতুং নোংমা কোনবদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জেন কম্মুনিটিবু লৈবাক অসিগী ওইবা থাক্তা মাইনোরিটি কম্মুনিটিনি হায়না লাউথোক্লবা অয়াবা পীখ্রে।

রাহুল গান্ধিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা জেন কম্মুনিটিগী লুচিংবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রদিপ জেনগা উন্নরবা মতুং খোঙজং অদুগী মতাংদা মতেং পাংবীরক্লবা ফোঙদোক্লম্বগী মতুং ইন্না ৱাফম অদু মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখিবনি।

ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিটিনা ফোঙদোকখিবদা, জেন সমাজগী লুচিংবা কয়ানা মতম শাংনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লবা মখোয়গী দাবী অদু শৌগৎপীনবা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না রাহুল গান্ধিনা ৱাফম অদুদা সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী শেল–থুম চাওখৎ–হনবা, সোসিয়েল , কলচরেলদা জেন কম্মুনিটিনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা অদু খঙই। জেন কম্মুনিটিগী অদুগুম্বা ৱাফম অদুদা শৌগৎপা হায়বসি তঙায়ফদে হায়খি।

মহাক্লা ফোঙদোকখিবা নুমিৎ অদুগী নোংমা কোনবদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা জেন কম্মুনিটিবু মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবদা অয়াবা পীখিবনি।

মনমোহন সিংহনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না তোখায় তাবগী শাফূশিংদগী চেকশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। হৌজিক হৌজিক জেন কম্মুনিটিনা উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ ছটিসগর অমসুং রাজস্থানদা মাইনোরিটি ষ্টেটস ফংদুনা লৈরি।

মাইনোরিটি ষ্টেটস অমুক ফংখ্রবা জেন কম্মুনিটিনা লৈবাক অসিগী সেন্ট্রেল ফন্দদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা য়াইফ–থৌরাং অমদি মাইনোরিটিশিংদা স্কোলারশিপ পীবগী থবক চত্থদুনা লাকখি।

হৌজিক হৌজিক মুসলিম, খৃষ্টান, শিখ, বুদ্ধিষ্ট অমসুং পর্সিস হায়রিবা ধর্ম্ম চৎপশিং মাইনোরিটিনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লৈরিবনি হায়রি।

# শিবগী দন্দি পীরবা মীওই ১৫গী দন্দি সুপ্রিম কোর্টনা হোংদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ ঃ** শিবগী দন্দি পীরবা মীওই ১৩না মখোয়গী দন্দি অদু কোকপীনবা ভারতকী প্রসিদেন্টতা হায়জরকখিবা ৱাফম প্রসিদেন্টনা মখোয়গী হায়জবা অদু থেংথনা ৱারেপ লৌবগীদমক দন্দি অদুদগী থৈদোক্তুনা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক তাহন্নবা খঙহনখ্রে।

অতোপ্পা মীওই অনীনা শিবগী দন্দি পীরগনি হায়না মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থম্বদগী ৱাখলদা শোয়নাইরকপনা মরম ওইরগা মখোয় অনীবুসু দন্দি অদুদগী হোংদোকখি।

শীংথানিংঙাই ওইরবা ৱারেপ অমা ওইনা সুপ্রিম কোর্টনা মীওই ১৫ অদুগী মীনুংশিগীদমক হায়জবদা থেংথহনবা অমদি ৱাখলগী অনাবা লাকপনা মরম ওইরগা দন্দিশিং অদু হোংদোক্লবা ওর্দর থোকখিবনি।

মীওই ১৫গী মনুংদা ১৩ না ভারতকী প্রসিদেন্টতা মখোয়দা পীরিবা দন্দি অদুদা মীনুংশিগী মীৎয়েংদা হায়জখিবা ৱাফম প্রসিদেন্টনা ৱারেপ লৌবদা থেংথরকপা অদুনা মরম ওইরগা মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক্কী দন্দিদা ওন্থোকখি। অদুগা অনীনা ৱাখলগী অনাবা লাকপদগী দন্দি অদু হোং–দোকখিবনি হায়রি।

শিবগী দন্দি পীরবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না চত্থখিবা টেরর এটেকশিং অদুগী মতাংদা হায়জবগা লোয়ননা মীনুংশি পীবিনবা প্রসিদে–ন্টতা হায়জখিবদা মখোয়গী হায়জ ৱারোল অদুবু রিজেক্ট তৌবা নৎত্রগা মরম অমত্তা পীদনা নমশিন্দুনা থম্বগীমক ঙসি কোর্ট অদুনা দন্দি অদু হোংদোকখিবনি।

চিফ জষ্টিস সথাসিভমনা ফোঙ–দোকখিবদা, প্রসিদেন্ট অমসুং গভর্ণরনা দন্দি ফংলবা মীওইশিং অদুনা হায়জরকখিবা ৱাফমশিং অদু য়াদবা নৎত্রগা দন্দি অদু অদুমক ফংহন্নবা নৎত্রগা কোকথোক্লবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা মতম কুইনা ফোঙদোরকখিদে।

অদুমওইনমক, অফজাল গুরুগুম্বা মীওইশিংগীদমক্তঃদি মখোয়দা পীরিবা দন্দিশিং অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হায়জরকখিবা অমদি অতোপ্পা মরম কয়া য়েংলগা নুমিৎ ১৪নিগী মতম য়েংখিগনি হায়রি।

কোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙ–দোকখিবদা, নুমিৎ ১৪নিগী মতম পীবা হায়বদু তঙায়ফদে। মদু মখোয়না মতম অদুদা শান্তি ওইনা ঈশ্বর নীংজবা অমদি মহাক্কী ইমুং মনুং উন্নবগী তাঞ্জা অমা পীবনি হায়খি।

# আম আদমি পার্টিনা খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা চরাংনবা থোকহনবগীদমক কেজ্রিৱালগী মথক্তা থারকখিবা পি আই এল এদমিট তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১ ঃ** অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা কাঙবু অমনা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবা নীনি চনবা নুমিত্তা ঙসি কেজ্রিৱালনা রিপব্লিক ডে সেলেব্রেশন পাঙথোক্কদৌরিবা মফম রাজপাটতা মীয়াম হুপ্পা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কেজ্রিৱালগী সপোর্টর লাক্ষ কয়ানা দ্রগ অমসুং প্রোষ্টিট্যুশনগী মায়োক্তা থবক লৌখৎলু য়াদবা পুলিস ওফিয়েলশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা দাবী তৌরি।

মহাক্কী খোঙজং অদুদা য়াশিন্নবা তৌরোই। লোয়ননা দিল্লি সহর অসিদা নুপীশিংদা শাফবা ওইহন্দবগী মতাংদা য়াশিন্নবসু তৌরোই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, মহাক্কী খোঙজং অদু মখা তানা চঙশিনখিগনি। অদুমওইনমক, হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেনা দিল্লিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা তূমদুনা লৈরে। সহর অদুদা নুপীশিং শাফবা ওইদ্রে। মদুদা য়াশিন্নবা অমত্তা তৌরোই হায়না কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং লো মিনিষ্টর সোমনাঠ ভারতিনা নুমিৎ ১০ নি প্রোটেষ্ট চত্থগনি হায়না ফোঙদোকখিবনা মরম ওইরগা চরাংনবা থোকহনবগী মতাংদা থারকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) হীয়ারিং চত্থনবা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে। চিফ জষ্টিস পি সথাসিভমনা ফোঙদোকখিবদা, কেজ্রিৱালগী মথক্তা থারকখিবা পি আই এল অদু ইরাই নুমিৎতা হীয়ারিং চত্থগনি হায়রি।

পিটিশনরগী এদভোকেট এম এল শর্ম্মা অমসুং অতোপ্পা এদভোকেট অমনা হায়খিবদা, লমদম অদুদা চিফ মিনিষ্টর অমা ওইনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবা থবক পায়খৎকদবনি। মদুগী মহুত্তা দিল্লি পুলিসকী মীওই ৫ সস্পেন্দ তৌহন্নবগী মতাংদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুনা মেন তাদবা ঈরাং থোকহল্লে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা চত্থখিবা খোঙজং অদুগা মান্নদবা মওংদা আম আদমি পার্টিগী রেল ভৱন মমাঙদা সপোর্টরশিংনা থোমজিন্দুনা ধরনা চত্থখি। হায়রিবা মফম অদু রিপব্লিক ডে সেলেব্রেশন থৌরাং তৌগদবা অদুগা য়াম্না নক্লবা মফম অমনি হায়রি।

দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কা লোয়নবা কেবিনেট মিনিষ্টর ৬ অমসুং সপোর্টর কয়াগা লোয়ননা রেল ভৱন মমাংদা অহিং য়ারেক্তুনা অঙাংবা মরক্তা খোঙজং চঙশিনখি।

কেজ্রিৱালনা অহাংবা অতিয়া মখাদা লম্বীদা তূমখি। অদুগা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা অহিং অদু ঈশৈ অমসুং স্লোগান কয়া লাউদুনা লেনখি হায়রি। অতোপ্পা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়াসু সরক মথক্তা তুমখি।

কেজ্রিৱালনা কিহনবগা লোয়ননা হায়খিবদা, মহাক্লা তাল্লিবা দিমান্দ অদু পীদ্রবদি মীওই লাক্ষ কয়ানা রাজপাট লম্বীদা খোঙজং চঙশিনগনি হায়খি।

সেন্টর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী ৱাফম তাগদবনি। হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেদা এটেক চত্থবা অমা ওইনা মহাক্লা হায়খিবদা, মহাক্কী খোঙজং অদু দিল্লি পুলিসনা জন্তর মন্তরদা হোংদোক্লবা হায়জরকখ্রবসু হোংদোকপা তৌরোই।

দ্রগ লল্লোনবা অমসুং প্রোষ্টি–ট্যুশনগী থবকশিংদা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুবু সেন্টরনা থৌশাদ্রে। দিল্লিগী মীয়াম্না মখোয় মশাগীদমক ৱারেপ লৌজবগী হক লৈরোইদবগী মরম করি লৈবগে। মদুগীদমক দিল্লিগী মীয়াম্না মঙোন্দা শক্তিঃ অদু শিন্নরকখিবনি।

সিন্ধেনা হায়খিবা ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মহাক্লা হায়খিবদা, খোঙজং অদু কদায়দা চঙশিনগদগে হায়না হংখি। দিল্লি পুলিসনা মহাক্কী মিনিষ্টর অমসুং সপোর্টরশিংদা চত্থখিবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙ–দোক্তুনা হায়খিবদা, মফম অদু জেল অমগা মান্নরে।